চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা খাইদেম প্রমোদিনিগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগী ৭ শুবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা খাইদেম প্রমোদিনিগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগী ৭ শুবা থৌরম ঙসি লৈমরোল খোর্জেকোল লৈকোলনা শিন্দুনা ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলদা লৈবা লৈকোলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরমসিদা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা লৈকোলগী ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা ফোঙদোকখিবদা শক্লাইরবী লমদমসিগী অইবী খাইদেম প্রমোদিনি য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদা পোক্তুনা ৱানা হিংলকখি। লাইরিক তম্বা মতমদা নীংবা থুংদবা কয়া অমা মহাক্কী পূন্সিদা থেংনরকখি। মতমদুদা মহাক্না অকায়বা স্লেট খুন্দুনা মদু পায়রগা স্কুল তম্লকখি। অহানবদা অইবী অসি ক্বাকৈথেল প্রাইমারি কলিকা স্কুলদা মহৈ তমখি।

মঙাশুবা থাক তম্বদা মোইরাংখোম স্কুল লৈপুংদা মহৈ তমখি। লাইরিক তম্লিংলবসু শেল লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। কোনথংদা এম কে বিনোদিনিদা হায়রব্বদগী ফংলককিবা পোর ফন্দগী শেনফম্না লাইরিক তম্লকখিবী অইবী অমনি। মতম অদুদা ফিরোল অনীশুনা শেৎপা ফাওবা ফংলকখিদবনা মীঙোন্দগী ৱায়দুনা ফিরোল শেৎলকখি। অৱাবা ইমুংদা হৌরকখিবা লুখ্রবীনা য়োক্তুনা মহৈ ৱানা তমহল্লকখি।

মহাক্কী অৱাবগী ৱারী অসি য়ুম নোং যুবদা হোংহু মনা অপাকপনা খল্লগা খাংখি হায়বগী ৱারী লৈরি। মহাক্কী লাইবক থীবা অমনা মহাক্কী অপোকপা মশক খঙহৌদবসিনি। কোনথংদা হিজম ইরাবতকা শক খঙনরকপদগী মহাক্না মপামক্লি খঞ্জখি। ইরাবতনা পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিংদসু য়াওশিন্দুনা অইবী অসিনা থৌদাং য়াখি।

অদুবু অইবী অসি নুপাগী শিনফমদা থবক তৌদুনা শাহৌ ফনা হৌরকই। অদুবু য়াম্না হোৎনবা কন্নবা মহৈরোয় অমা ওইনা হৌরকখিবনা মেত্রিক এগজামদা সেকেন্দ পোজি সনদা লাকখি। অইবী অসি নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনরকপনা য়ু পি এস সি এগজাম থাবদা খল্লক্তুনা ইহান হানবা ক্লাস ৱানগী ওফিসর ওইখি। দিভেলপমেন্ট ওফিসর ওইরকপদগী তৌশেম অমসুং তিপাইমুখ খক্তা নক্তনা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা চৎলকপা মরম্না লমকোই ৱারী ইবদা মহাক্না খুৎ থারকখিবনি।

কুমজা ১৯৪২ গী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুং কুমজা ১৯৪৩ দা নবদ্বিপতা মতম খরা লৈরিঙৈদা ‘পোনগী চেক্লা’ হায়বা শৈরেং অসি ইখি। শৈরেং অসি ইমাসিনা বাংলাদা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। অইবী অসি মী লব্রুন্দুনা ইবসু হৈ। হোৎনবা লেপ্তবা থৌনা লৈবদুনা ঙসিগী প্রমোদিনি ওইরকখিবনি। অইবী অসিনা মণিপুর খুন্নাইগী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল হাপ্পুনা খুন্নাইসিদা নুপী ওইবীশিংগী ফিদা কন্ননবা হোৎনরম্বা অইবী অমনি। ঙসি লৈকোল হায়রিবা অইবীশিংগী লূপকী মমিংসি মহাক্না থোনবীরম্বনি হায়খি।

ঐনা তৌনিংবা তৌবা য়ারোই ঐ হায়বসি লাইনিং অমা লৈপাক অমা পুরগা চৎলি ঃ পন্থৌ

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : মৈতৈ ময়েক ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবনি, ষ্টেটকী ওফিসল লোল ওইরবা লোল অসি মৈতৈ ঐখোয়না নমথররোইসি। লাইনিংনা চুম্লবদি মৈতৈ মীখা পোল্লোই। ঐখোয় হৌজিক য়াম্না চয়েৎনরিবসি ঐ ঐগী অপাম্বা তৌবননি। অদুবু ঐনা তৌনিংবা তৌবা য়ারোই ঐ হায়বসি লাইনিং অমা লৈবাক অমা পুরগা চৎলি হায়না নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোল থলো শিপি লোক সেলোই লংমাই চীং ইম্ফাল নোংপোক্তা লৈরিবা লাই ওইবা পন্থৌনা ফোঙদোকখ্রে।

মৈতৈ অমা মাংজবসি লৈবাক অমা মাংজবনি। মৈতৈ লাইনিং লৈরমদবা থোরক্লে, ইন্দিয়া লৈঙাক্লোন্দা মৈতৈ হিংলি মৈতৈগী লাইনিং খঙহল্লি। মৈতৈ লাইনিংনা ইন্দিয়াদা শরুক য়ারসি, মালেম ইমাগী খোঙগুল নুংশিবা লাইবক্তা লৈশা নম্লসি মৈতৈ লাইনিং শাফোংলসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লোনগী চাকথানি ঐখোয়না চারিবা, ফল্লিবা, লেপ্লিবা। মফম অমদা লোয়না ফমদবা য়াদে, চৎতবা য়াদে, মফম অমদা লোয়না চাও হায়রকপা য়াথংদা ঐখোয় ইন্দবা য়ারোই। ইন্দিয়াগী পৈশাগী মপান তাংলগা হিংবা মৈতৈনি, ঐখোয়গী পূন্সি। লাইরিক তম্বসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াথংদা লাইরিক তম্বনি। লাইরিক ময়েক্কী লোগী মনুং চন্নদি করিসু লৈতবগুম্বনি। মৈতৈ কুকিগী হৌজিক থোক্লিবা লাল অসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱাহৈ অমদা লোইশিনবদুনি মৈতৈনা ঙাইরিবা। লানফমসিদা মৈতৈ ঐখোয় মখোঙ শেংসি।

লাইনিং মান্নদবা লাইনিংথৌ নীংবা, মৈতৈলোল লোনবা ঐখোয়সে তুম্বা কুইমল্লে, হৌগৎলসি মীকপ থোক্লসি। মীৎনসু উরে, ইনানসু তারে মৈতৈ ঐখোয়গী লাইশঙ থুগাইরে। মৈতৈ ঐখোয়গী থম্মোয়গী মমি অমখক মায়দা তাই লাইবক্তা তাই, তাথোক্লগা কোকপনি লৈতেংনি, লৈতেং নত্তে থম্মোয়গী মমিনি। মৈতৈ লৈশা নম্লসি, মৈতৈ লৈবাক কনগদবা, মৈতৈ মচা কনগদবা পলেম পন্থৌ, নিঙোল-পীবা পুম্নমক মৈতৈ ঐখোয়গী থম্মোয়গী মমি লাইবক্তা লৈশা নম্লসি। লুখ্রবীনা মালেম লৈশা নমগদবনি হায়বা লৈতে। মৈতৈ ইমা নিঙোলশিংনা ফনেক শেৎলি ইনাৎ শাফোংই।

ইমাগী থৌনা পাঙ্গলনা মতম মতমগী থোক্লকপা লানশিংদা কন্দুনা লাক্লি। ইমাশিংগী খোল্লাওনি তেংপানবা মপুনা ঙাইরিবা ইমাশিংগী খোল্লাওনি। লান লোয়শিনবিরো মৈতৈ কনবীয়ু, মৈতৈ লৈবাক কায়হনবীগনু, মীতোপ মীয়ান চংহনবীগনু, কাংখাদা লিন চংহনবীগনু, খুজিন্দা তুম চংহনবীগনু।

অহিংবা থৱায় অতাংবা থৱায়নি, অহিংবা থৱায়সিনা ঙসি মালেম তাইবংপানগী মশক ফোংলিবা। চাওখৎলোনগী ময়েকসু মী ঐখোয়দা তাংজবনি। কাংলুপ ফুরুপ লাইনিং ইনাৎ মহাক মহাক্কী লাইনিং শাগোন্নরগা হিংলিবা মৈতৈ ঐখোয়গী মৈতৈ লৈপাক মণিপুরনি। মচাক য়াওদ্রবা মবুক হামচৎ হামফোইনরবা অশিবা চরাংগী মশক্লুম্লবা মৈতৈ ঐখোয়গী পূন্সিগী মহিং অমা ওইনা হিংলি। মৈতৈগী পাঙ্গল থৌনা চীনফা ৱাহৈদা পাঙ্গল কনবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মনিণপুরদা লৈরিবা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মৈতৈবু মমল লৈনা লৌহন্নিংই।

লাইনিং মান্নরগদি খোঞ্জেল অমখক্তুদা থোক্কনি। মৈতৈ লাইনিংথৌ নীংবা ঐখোয় ঐখোয় লাইনিং মান্নবদি নত্তে। লাইনিংগী অশেংবা মশক ফোংগদবদি নুপী ইমানি। ঙসিগী মৈতৈগী অঙম অথৌনা লৈপাক ঙাকই মরুম থুপ্না হিংই মীয়াম। মৈতৈগী অশেংবা পুৱারীবু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহনবদা লমগী মমিং খক্তা নত্তে।

য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপদি মৈতৈ সলাই তরেৎনি, নিংথৌ ফম্বাল তোংবসু মৈতৈনি। নিংথৌরোলগী অঙম অথৌগী থৈথরকপদা এ সি, এ সি গী অঙম অথৌসু মৈতৈনি। মৈতৈনা ঙমদবা য়াদে হায়বগী ৱাফম নত্তে পুৱারীগী অশেংবা মশক তাকফম থোকই। মৈতৈ নিংথৌ নত্তনা পুৱারীদা অতোপ্পনা নিংথৌ ওইখিবা লৈতে, অতৈ নিংথৌ পুরকখিবা মৈতৈ। মীতোপ মীয়ানন মৈতৈ পুংমুৎ মুখৎনবা হোৎনরগসু লাইনিংথৌ লৈমারেনদি মুখৎপা ঙমদে। মুখৎতনা লৈরম্লিবা খুদম চাংদমদা লৈরিবা ফনেক শেৎপী পলেমশিং লাইনিংথৌ লৈমারেন নীংবা হায়বসিদা ৱায়েৎনিংঙাই লৈতে। মতম ঙাইররোইসি ইপু খোংনাংথাবা, ইপু মাইচৌ তরেৎকী হল্লকপা মশু ঐখোয়না ঙাইদুনা লৈবা হৌনদে। লাইনা লাকপা নুমিৎ লাকচগনি মৈতৈনা চাওখৎলোন্দসু শরুক য়ারবা, মতমগী মঙালগী, সাইন্সকী মঙালদা চাওরবা ঐখোয়না মৈতৈ লাইনিং নীংদুনা চপ মান্নবা মতমদা শাফোংলক্কদবনি।

মৈতৈ কুকি লাল লোইখিবা য়াই, লান লোয়দবসু য়ারোই লোয়শিনবীনবা লৈ। মচা শিরগা মমা-মপানা য়েংদুন লৈবা য়ারোই, লালদি লৈঙাক্না লোয়শিনগদবনি মপি মপানি। মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনিংদি মৈতৈ ঐখোয়না নীংগদবনি ইন্দিয়াদা লাইনিংসি খঙহনবা মতম ওইরে হায়না পন্থৌনা মখা তাখি।

কে এন টি এল গী থৌমীশিংনা ঈ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : ঙসি জেনিমস ব্লদ বেঙ্ক অমদি কংলৈপাক নিউজ তেঙবাং লূপ (কে এন টি এল) কা খুৎশম্নদুনা লেপ্পা লৈতনা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা লূপ অসিগী ব্লদ দোনরশিংনা ঈ পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা ঈ পীবগী থৌরম অদুদা কে এন টি এলগী ব্লদ দোনর ২৫ না ঈ পীখি। থৌরমসিগা মরী লৈননা এর‍্যান্সেকী থৌরম অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্ককী ডা. সুজিৎনা ফোঙদোকখিবদা মীওইবগী পূন্সি কন্নবা হায়বসি লাইমক্কা পাঙ্থক ওইরিবনি। লমদমসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া অমা লৈরি। মসিদা কে এন টি এলগী থৌমীশিংনা ঈ কৎতুনা ঈ ৱাৎপগী হোস্পিটালশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কোক্নবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং ৱাখল লৈতাহনবা ঙমদ্রবদি ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিলহল্লু ঃ নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : মমাং চহী মে ৩ দগী লমদমসিদা থোক্লিবা ইরাংসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইনমেটশিংগী পূক্নিং ৱাখল লৈতাহনবা ঙমদ্রবদি মশা-মশাগী য়ুমদা হঞ্জিলহল্লু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এন সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবদা লোয়শিন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাকপু লুচিংলিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ফোনদা তোয়না পাউ ফাওনরি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীদিয়াগী খুথাংদা মীয়ামদা তোয়না খঙহন্দুনা লাক্লবসু থোক্লিবা ইরাংসি থা ১৪ হেঞ্জিল্লক্লে।

চহী অমরোম ইরাংসিগী মমি তাখিদ্রবা জিরিবামদা মমাং থাগী ৬ তগী কুকি টেরিষ্টশিংনা লান্দারক্তুনা মৈতৈ ইমুং কয়া লাঞ্জেন্নহন্দুনা অৱাবা কয়া অমা পীরি। কছারগী লক্ষিপুরদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরিবশিংগী অৱাৎ-অপা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দি সি, এস পি অমসুং অসাম ষ্টেটকী চিফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা শর্মনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা অসামগা লোয়ননা ঙমখৈদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অসাম পুলিসকী টিমনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবনি।

চহী অমগা থা অনী হেল্লক্লবা ইরাংসিদা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী মরক্তা মনিং থুংদবদগী মশা মতোমতা শিজবা য়াওরক্লবসু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা অৱাবা মায়োক্লদুনা থম্মোয় শোক্লা হিংনবা হোৎনরিবশিংদা পীরম্বা খুৎপায় শেলগী শেনফম ককথরিবসি লাইবক থীবনি। মখোয়গী অৱাবা পূন্সি মহিং য়েংবদগী লমদমসিগী নিঙোল ওইবীশিংগী চাউরবা কুন্মৈ অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অমদি মৈতৈ ফুরুপকী অচৌবা কুন্মৈ অমসু ওইরিবা য়াওশং কুন্মৈ ফাওবা পাঙথোক্নখিদে।

রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংনা হিংনবা হোৎনবদা চংবা মরুওইবা পোৎলমশিং মতম চানা মরাং কায়না ফংহন্দবগী পেন্দবা ৱাকৎ কয়া মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোক্নরক্লি।

ইনমেটশিংবু পূক্নিং ৱাখল লৈতানা হিংহন্নবা লৈঙাক্না পুকচেল শেংনা হোৎনদ্রবদি মখা তানা ইনমেট কয়া ৱাখল লায়না লাকপদগী মশা মতোমদা শিজনবা হোৎনরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়রি।

অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা ময়ুম-মকৈ মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রবশিংগী পীফম থোকপা তেঙবাং অথুদবা পীথোক্তুনা মখোয়গী মশা-মশাগী ময়ুমদা লৈতানা লৈহন্নবা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা হোৎনগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. Bihar Assistant Professor Recruitment 2024: 1339 Vacancies, Apply Online, Notification

BPSC Assistant Professor Recruitment 2024 Notification for 1339 Posts – Advertisement Nos. 34/2024 to 56/2024: Bihar Public Service Commission (BPSC), Patna, invites online applications in the prescribed form from eligible Indian candidates for the appointment to a total of 1339 vacant posts of Assistant Professor in various Departments (Specialty) of State Medical College & Hospitals. Eligible candidates apply online through Bihar BPSC Online Portal @ **bpsc.bih.nic.in** from 25th June 2024. The last date for the registration of online applications is **26th July 2024**.

……

2. IBPS Clerk 2024, Apply Online, 6128 Vacancies, Notification

IBPS Clerk Notification 2024 released on July 2024. Candidates can apply online for 6128 vacancies available in 11 participating Public Sector Banks. The IBPS Clerk online application portal opened on 1st July 2024 and is scheduled to close on 21st July 2024. Every year, IBPS conducts the Common Recruitment Process for Clerical Cadre (Clerks). Last year, the total vacancies for IBPS Clerk were 4546. However, this year, IBPS CRP Clerk XIV is offering over 6000 vacancies for Fresher Graduates or Degree holders in any discipline from Indian Government recognized institutions. The IBPS Clerk Exam Date 2024 for the Preliminary and Main examinations is tentatively scheduled for August and October 2024. Banking job seekers can get the latest updates on the IBPS Clerk Official Notification, IBPS Clerk Banking Vacancies, IBPS Clerk Eligibility Criteria, IBPS Clerk Selection Process, IBPS Clerk Exam Details, and How to Apply for IBPS Clerk 2024 on this page.

* Eligible Indian Citizens who meet the IBPS Clerk 2024 criteria are encouraged to apply online through the IBPS Online Application Portal (**ibpsonline.ibps.in/crpcl14jun24/**). The Online registration process start from 1st July 2024.

* The last date for online application registration is the last week of **21/07/2024** (Sunday) up to 11:59 Hours.

CROSSWORD-4199



ACROSS

1. Soldier in the Royal Engineers(6)
4. Whisky(6)
8. Short-legged breed of dog(5)
9. First(7)
10. Syrupy medicine(7)
11. V-shaped block(5)
12. Under water(9)
17. Halts(5)
19. Russian empress(7)
21. Old Nick(7)
22. Stupefied(5)
23. Ethics(6)
24. Denied (anag)(6)

DOWN

1. Mediterranean island(6)
2. Mum and Dad(7)
3. Decree(5)
5. Chat(7)
6. Attempted(5)
7. Baker Street detective(6)
9. Police officer(9)
13. Shy(7)
14. Gentle misty rain(7)
15. Refuge(6)
16. Outspoken(6)
18. Happen(5)
20. Accessory(3-2)

Solution of 4261

H	I	F	I	■	S	P	O	T	L	E	S	S
O	■	I	■	C	■	E	■	H	■	P	■	A
R	I	N	G	L	E	T	■	R	U	I	N	G
N	■	A	■	O	■	I	■	O	■	G	■	E
P	I	L	O	T	■	T	A	B	A	R	D	■
I	■	■	■	H	■	E	■	■	■	A	■	O
P	I	S	C	E	S	■	A	C	U	M	E	N
E	■	P	■	■	■	E	■	O	■	■	■	T
■	L	A	R	Y	N	X	■	D	I	T	C	H
C	■	R	■	A	■	H	■	D	■	B	■	E
U	T	T	E	R	■	A	L	L	T	O	L	D
F	■	A	■	N	■	L	■	E	■	N	■	O
F	I	N	I	S	H	E	D	■	L	E	N	T

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5560

4					1			
3		2			5	6		9
				8				5
		5				2	9	
			1		8			
	3	1				7		
5				9				
9		7	2			8		3
			7					4

Solution of 5559

2	9	5	3	1	6	8	4	7
4	6	3	2	7	8	9	1	5
7	8	1	4	9	5	6	3	2
6	3	9	7	2	4	5	8	1
8	1	2	6	5	9	4	7	3
5	7	4	1	8	3	2	9	6
9	4	7	5	6	1	3	2	8
3	2	6	8	4	7	1	5	9
1	5	8	9	3	2	7	6	4

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

খনগৎলবা লৌমীশিংদা মরু-মরাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : লৌমীশিংনা চাথোক লৈবা মহৈ-মরোং হেন্না পুথোক্নবগী পান্দমদা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কেভিকে) বিষ্ণুপুরগী চহীগী ওইবা হোর্টিকলচর সেক্সনগী ওইবা ওল ফার্ম ত্রায়েল তৌবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উৎলৌগী কে ভি কে দা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং কম দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ ভেজিটেবল সিদ গার্দেনগীদমক পী ভার, কাশি এ জি টি অমসুং য়ার্ন লোংবীন ভার, অরকা মঙ্গলনচিংবা মরু-মরাংশিং য়েন্থোককখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মরুওইনা ট্রেনিংসিদা মায় পাক্লবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খনগৎলবা লৌমী ১০ দা মরু-মরাংশিং য়েন্থোককখি। চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইনবগী পান্দমদা লৌমীশিংনা মরাং কায়না পোথোক পুথোক্নবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are limited First Come First Served
CLASS XII (Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS XI (Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS X (English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)
Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025
Classes Commencing from: 25th July 2024 (New Batches)
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Morning:(4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.30–7.30)P.M
For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin)
HL-B/8730/19

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
Recognised by Ministry Of Corporate Affairs, Govt. Of India
Admission open
New classes begin on 8th July 2024
Cabin Crew
Ground Staff
Just at 20K
For aviation course
Spoken English
Spoken Hindi
@ Rs. 3.5K
Computer
Available for all courses
Details : 7005214205/6009048058
Main office - Old Lambulane, Opp. G.P. Women's College, Imphal
HL-B/8876/27/6-25/8(alt)

ৱারী মমিং : নোংথাংলৈমা
ইবা অমসুং য়েকপা : সেমসম সলাম
হুয়েন-লানপাও ডেলী


পুজারিদু চৈবা কাওখিদুনা ঙক্লা য়েংদুনা লৈহৌখিরম্মী।
য়ে! নোংথাংলৈমনা তেলংগা পুরক্লে, য়ে।
শোমদনা খুঙ্গাওগা হেক থংননা জোজাং কৌবা অথাপ্পদগী নৌনা লাকপা খুন অমখক লৈরম্মী, মখোয়না খুঙ্গাওগী নুঙাইবদু য়াম্না কললক্লম্মী অমসুং লান তানবা অচেংবা য়েংদুনতা লৈরম্মী।